ৱারীমচা

# মাঞ্জা নঙবু ঙাওব্রা?

## আর কে নরেন্দ্র সিংহ

লাইরিক-লাইশুদা থৱায় য়াওজবা, চন্না হিংজবা ইম্ফালগী মৈতে ইমুং অমগী নাইতোম য়াওজবা পাখং মচানি ৱাংথোইবা মৈতে। চহী ২০ মুক্কী লেনগা ওইগদবা ৱাংথোইবসি মহৌশাগী খুৎশা হৈবগী শিনফমদা মরুওইনা তোঙান-তোঙানবা শক্লোন কয়াদা ৱাগী পোত্থোক সেম-সাবদা ঙাওজবা মীশক 'মসুনি। মসিনা লমজিংদুনা বিশ্ব-ভারতী য়ুনিভর্সিটি, শান্তিনিকেতনগী কালা ভাবনদা ডিপ্লোমা ইন এপ্লাইড আর্টসতা মরুওইনা ৱাগী পোত্থোক শেম-শাবগী কলাগী ওইবা মচাক কয়া তম্লুবগী পুন্সি খোঙচৎ অমগী থৌদোক্লি।

ৱাংথোইবা মফমদুদা চৎত্রিঙৈদগী বেঙ্গলীশিংগী চৎন-লোনচৎকী মরমদা খঙনিংনা থিজনবদগী য়ান্নমক নৎত্রবসু খরদি খঙলে। মহৌশাদগী হৌনা বেঙ্গললীশিংসি অয়াম্বনা আর্ট এন্দ কলচরদা ঙাওজবা ওইনা তৌই। মখোয়গী কলচর, চৎনবীসি য়ান্না ইনাক খুল্লি। মখোয়গী থম্মোয়গা ঈশৈ-নোংমাই, লাই-য়েকপা, সহিত্য, ধর্ম্মগী থৌরমশিংগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মরি অমসু লৈবগুমসু তৌই। মখোয় অয়াম্বনা য়ান্নমক হেন্থোইদ্রবসু ঈশৈ শকপা, লাইয়েকপা, মুর্টি শাবা অদুম হৈনৈ। হিরমসিদা থৱায়সু অদুম য়াওনৈ। সহিত্যদা লুপচবা মীশিংবু ৱাৎতনা অদুম লৈ। অয়াম্বা য়ুমশিংদা ঈশৈ শকপদা শিজিন্নবা জন্ত্রশিং, লাইয়েকপদা চঙবা মচাকশিং অদুম লৈনৈ। খরা ঙল্লিঙৈ মতমদদি য়ুমগী ফক্লাংশিংদুদা আর্টিষ্টিক ওইবা মওংদা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লাইগী মীতমশিং, মহৌশাগী ওইবা নাৎকী পোৎশক-পোৎলমশিং, উ-ৱা হৈপাল-লৈপালশিং য়েকশিনবসু অদুম চৎনৈ। থোঙ, থোঙনাওশিংদুদা মচু-মচুগী লৈশিং, লৈ পরেংশিংনা লুহোংগদৌরিবী কৈন্যগুম শেম-শাদুনা লৈতেংনবসু অদুম তৌনৈ। হৌজিক-হৌজিকমকসু ফক্লাংশিংবু নিঙথিনা লৈতেংবা চৎনৈ-খুৎনা য়েকপা লাইশিং থেৎপা, খুৎনা শেম-শাবা (হেন্দিক্রাফ)কী পোৎশকশিং মফম চানা-চানা থেন্দুনা থম্বা। চেঙবু মকুপতানা তকখাইরগা শেম্বা অঙৌবা মচুগী চেং-মকুপ্তুদা অমুকসু অঙাংবা, নাপু অশংবা, হিগোক মচুশিং য়ানশিন্দুনা শেল্লবা মচু মচুগী চেঙ মকুপশিংদুনা অল্পনা হায়না খঙনবা বেঙ্গলগী রঙ্গোলিসি তুলসিবোংদা, থোঙজিন্দা, লাই খুরুমফম কাশিংদা ফজ-ফজনা য়েকপসি চৎনৈ। পুজাগী মতমদা পুজা তৌফম, ঈশৈগী যন্ত্রশিং থম্ফম কাদশিংদসু অদুমক য়েক্লে।

মতমদু ৱাংথোইবনা বলপুর ট্রেন ষ্টেসন য়ৌবদা নিংথমথাগী মোলহাওনরবা নুংশাদুনা মশাদু লুম্বু-লুম্বু শাহনবগুম ফাওই। ষ্টেসন্দগী মপান থোরকপদা নোংচুপ বেঙ্গলগী ঙাংলৈনবা লৈবাক্কী তাইফেৎ তাইবা ইফুলশিংগী লৈহিং মনমদু নুংশিৎনা ৱাংথোইবগী মনাতোন্দসু হুজিল্লক্কনু হায়বা ময়াদে। মাবু ঙাইদুনা লৈরল্লিবা মাগী মেন্তরনা প্রান্তিকতা হায়না খঙনবা শান্তিনিকেতনগী ইরাপ লাপ্পনদবা য়াম্না ইং চিকপা মফমদুদা লৈবা চেটার্জগী য়ুমদা লৈনবা শিনবিরে।

চেটার্জীগী ইমুংগী মীওইশিংনা ৱাংথোইববু তরাম্না ওক্লম্মী। থোঙ চঙফমদা ফজরবা থম্বালগী অল্পনা য়েক্লম্মী। য়ুমদুদা হেক চঙলকপদা ৱাংথোইবদু ঙক্লপ তৌই- থোঙ-থোঙনাও, ফক্লাং খুদিংমক থৱায় পানবগুম তৌই। ফ্রেম চনবা অয়েকপা লাইশিং, তঞ্জাই তমক য়েকপদা লোইরবা কেনভাছ খরা, মরোল-মরোল লোল্লিবা লাইরিকশিংগী মপৈ। থংনবা কারোমদগী তানপুরা খোঙবগী অমেংবা খোঞ্জেল। অশেংনমক য়ুম 'সি আর্ট এন্দ কলচরগী শরুক অমগু ফাওহল্লি।

চেটার্জীগী অমত্তা পোকচবী স্রিটিকাসু থোরক্তুনা, "ৱেলকম ৱাংথোইবা দা দা" নোকফেক তৌনা, ইকাইরপসু তৌনা হায়রকই। ৱাংথোইবগী মফমদদি মাগী খোঞ্জেনসিনা নুংজু থাগী অয়িংবা নুংশিৎতগীবু হেন্না ইংখ্রে। স্রিটিকাদু অঙৌবা মচুগী হিগোক মচুনা মপান চেনবা অচম্বা শারি অমা শেৎলি, হিগোক মচুগী ব্লাওজ অমা লিৎলি। মাগী অশাংবা মশমদু কোমতক্লা শমজি নাইনা পুল্লি। লাইয়েকপগী টুরি 'মা মনাদা য়েপ্পদু ৱাংথোইবনদি নাচোমগুম ওইনা উই। মাগী খজাইদা মরিক মরিক চোংলিবা লাই য়েকপদা শীজিন্নবা মচুশিংদু উরুবদা মথন্তা হঙজে- মহাকসি আর্টিষ্ট 'মগী কেনভাছতা লোইফাৎত্রিবা শকহেনবী অমগী মাইথোং অমরা। নুমিৎতুগী নুমিদাং ৱাইরমদা ইমুংদুগী মীওই খুদিংমক পুন্না ফম্মিন্নে, স্রিটিকানা রবীন্দ্র সঙ্গিত শকই। ৱাংথোইবদি অসিগুম্বা শৈশকপসি মাগী মমাং মক্তুদা শকপসি অমুক্তা তাখিদ্রি। মাগী তোপ-তোপ্পা শৈশক-শৈহেকসি য়ান্নমক চীংলেম্মী, মহৌশাগী তোপ-তোপ্প মগুন 'মসু লোইনৈ। মসিমক্লা ৱাংথোইবনা চীংলোন মাপলনা কোইশিনবা তাম্না লৈহৌরবা পীকখ্রবা ফুরুপ মচা মৈতৈগী পেনা নিংশিংলকই। অথেংবা অহিংদা তাম্না লিরি লিরি তাবা পেনাগী শৈহেক্কা চাংদম্নজে।

স্রিটিকাসু ৱাংথোইবগা চহী লেঙ্গা ওইগনি। কালা ভাবন, শান্তিনিকেতনদা ফাইন আর্ট (পেন্টিং)গী অরোইবা চহীদা তম্লিবা ছাত্রীনি। মরক-মরক্তা ৱাংথোইবনা স্রিটিকাদা মণিপুরগী জগোই, লাই হরাওবা, শগোল কাঙজৈনচিংবগী মরমদা ৱারী লীবি। লোক্তাক পাৎকী মরমদসু লীরি। স্রিটিকানা য়াম্না মুন্না তায়, ৱাহৈ খুদিংমক মানা খ্বাইদগী পামজনা য়েক্লিংলিবদুমক্কী চুনবা মচুদুমক্লি খঞ্জে। করি করিগুম্বদসু মৈতৈলোন তম্বিয়ুসু হায়। ৱাংথোইবা অচম্বা ৱাহৈ ৱাতা তম্বী- নমিং করি কৌই? চাক চারব্রা? নঙদি নশক য়াম্না ফজে, ঐনা নঙবু নুংশি, .... ইতাও, ইতা, শাবী, মাঞ্জা ....। স্রিটিকানা খোন্থোক চুম্না হাদোকপা ঙমদবদুদা মখোয় অনী খোয়দানা কয়ারক হন্না নোকখি। অসুম নোক্লম্বদগী খঙহৌদনা তুমিন্না চপ-চপ কয়ারক লেপখি। মবানিগী তুমিন্না লৈবসিমক্লা নুংশিরবা ঈশৈগী শুরদগীসু হেন্না খোইথুন্নহল্লি। স্রিটিকানা লোন্না য়েকচবা ৱানা শাবা খাও পায়বা নুপা 'মগী শক্তমদু ৱাংথোইবনা উরবদা হায়রকই, 'নঙনা য়েক্লিবসি ... ঐরা? স্রিটিকানা ইকাইরপতৌনা, ' ঐগী থম্মোয়দা তারকপা মমিসু ঐনা য়েকপতনি। মহাক কনানো ঐ খঙদে।' নুংশিবা হায়বসি খ্বাইদগী ফজবা কলাগী মশক অদু ওইবনরা খঙদে আর্টিষ্ট মখোয় অনীমক নুংশিবগী কালাদা তাওথমিন্নরে।

হোষ্টেল ফংদুনা হোষ্টেলদা লৈরবসু অদুম ৱাংথোইবদি স্রিটিকা হোয়গী ময়ুমদা অদুম লাকই। নোংমা নোং থিৎলি-থিৎলি তাবা নুমিদাং ৱাইরম 'মদা থোঙনাও ময়াদা স্রিটিকানা লাই য়েক্লা য়েক্লা হায়রকই, 'মাঞ্জা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা শক-চু, ধর্ম্ম তোখাই-তোখাইবা মীওইশিংসিগী থম্মোয়গী ইহুলসি চপ মান্নে হায়না খনব্রা? মচু কয়া কয়া শঙলীবা টুরিদুবু পায়রিবা খুৎশাশিং, অরাওবা মমিৎতুনা ঈশৈ শক্লিবা স্রিটিকাদা য়েংলগা শোন্থাংননা, 'হোয় তান্থা নাইবা থম্মোয়গী ইহুলসিদি অমখক্তনি .... মফম মতমগী মতুং ইন্না নুংশিবা সুরগী ইপোমদা মনিংতম্না তাওজবা খক্তনি।' নুমিদাং ৱাইরমগী অমেংবা নোংজাবীগুম মমায়দি হাইগৎতনা মোমোন নোকচৈ, স্রিটিকা। ৱাংথোইবনা খঞ্জে মাগীসিবু নুংশিবা হায়বদু ফাওরবা জাৎলা- হাথু হাথুনা নৎত্রবসু, তপ্না-তপ্না, হৌজিক হৌজিকমক থিৎলি থিৎলি চুরিবা নোংলিকশিংনা তপ্না তপ্না মখোয়গী শুমাংসি থুমজিল্লক্লিবসিগুম।

চহী লাল্লবা তুংদা খঙহৌদনা নোংমা ৱাংথোইবগী থম্মোয়দা ফাওরকই, তোঙানবা সংসার অনীগী অমৎতা ওইবা থম্মোয়গী ইহুলসি মতমচুপ্পগী ওইগনি হায়বা থাজদ্রে। নুমিৎতু কালাগী মশকলৌরবা পীক্তক তৌবা য়ুমদু ইচিক চিকই, তানপুরাগী মখোলসু তাখিদ্রে, মথৌচিদুনতা লৈবা টুরিশিংসু চপ চপ লেপখ্রে। রবীন্দ্র সঙ্কিতকী শৈশকসু তাখিদ্রে, সন্ধ্য আর্টিগী মোইবুসু খোংখিদ্রে। মথুপ নাইনা থুপচিনবা চিঠি অমা অনীকপা মখুৎতুনা পায়রদুনা স্রিটিকাদু থোঙনাও ময়াদা ফম্মী। 'চিঠিসি ঙসি ঐখোয়গী বাবানা ফংই, 'ৱাংথোইবদদি য়েংখৎতনা পানবা পী। অদুগা মখা তাই, 'পেরিষ্টতা চহী অমগী ফেলোসিপতা .... ঐ হয়েং কলকাতা থাদোকপা তারে।' খোইশাওনরবা অতিয়ানা শাওরদুনা মাইগৈ খংথৈ থৈহনখ্রমালে থিলি থিৎলিবা নোংদুসু, লিরি লিরি শিৎলম্বা নুংশিৎতুসু চপ লেপখি। থোঙনাওগী ৱারশিংদুদা মিৎ কুপ্তনা য়েংলিবা ৱাংথোইবনা থম্মোয়বু খুদুম চল্লগা নোকফেৎ তৌনা, 'সিদি য়াম্না ফৈ। মসিনা নঙগী অয়েকপা লাইশিংনা মালেমদা অচৌবা ফিদা অমা ফংবা ঙমহল্লকগদৌরিবনি।' অরোইবনি খন্না স্রিটিকানা ৱাংথোইববু পেন্না য়েংজখি। ঙসিদি মাগী মিৎলুগী পিরাংশিংদু কঙখ্রমালে। মখা তানা পিগী মথৌ তাদ্রিবসে করম্বা মখলগী মৈচাক্লো? নুমিৎ অদুগী অহিংদুসু মবানি উনখিদ্রে।

নোংঙালকপদা ৱাংথোইবনা গেট ময়াদুদা লেপ্পগা য়ুমদুবু মুনা মুনা য়েংজে। লৈশিলনা য়ুম, উ-ৱা, লৈশিং পুঙকুপ কুপ্পবা অয়ুকসিদা ৱাংথোইবনা তৌরিবদু স্রিটিকানা দোলাল মথক্কী থোঙনাওদগী উই। অদুবু মানা ৱাংথোইববু মানা য়েংই হায়বসি খঙহনখিদ্রে অদুগী মহুৎতা মানা মাগী টুরিদু পায়খৎলগা মাগী কেনভাছতা লোইফাৎত্রিবা লৈচিন্না তংখাই খুমজিল্লবা পাখং মচা 'মনা নিংবা কাইনা হনখিবগী শক্তমদুগী অরোইবা খুৎয়েক পীখি।

চহী খরা হৌখ্রে। ইম্ফালদা লৈজরবসু ৱাংথোইবনা আকাশবানি, কলকাতানা শন্দোকপা অয়ুক্কী রেদিও প্রোগ্রামদগী চা থক্লা থক্লা রবীন্দ্র সঙ্গিত তোইনা অদুম্মক তাই। মণিপুরীশিংগী তাংলবা আর্টকী পোৎচাকশিংনা থেল্লবা মাগী দ্রোয়িংরুমদুদা পোত্থাজরগা পুন্সিগী অর্থ, হিংবগী মমল লেপ্পবা হোন্নজবসি মাগীদি হিক্তোকফদ্রবা থৌগাই অমা ওইজে। ফক্লাংগী ময়াই চবুক্তা নাইতোম থেৎলিবা ওইল পেইন্টিংদা য়েকপা ৱাক্রেশ্বর তুরেলগী মশা অমা ওইরিবা কোপাই তুরেলগী পাইখৎলকপা অয়ুক্কী লৈচিন্না মমি শামি তংখাই খুমজিল্লবা খাও মচা 'মা পায়বা (পয়ানা শেম্বা) পাখং মচা 'মনা নীংবা কাইনা হনখিবগী লণ্ডস্কেপকী অয়েকপা লাইদুদা খোইদানা য়েংজে। 'মাঞ্জা নঙবু ঙাওব্রা?' হায়না পিকচর টাইটল পীবা লাইদু য়েংজরগা থেক্লোই-নকোইনবা পুন্সি খোঙচৎসিদা মীকুপ 'মতা ওইরবসু শদৌ থোংবা হন্দোকচৈ।

শারিদগী ফনেক শেৎলবা ৱাংথোইবগী ইবেম্মনা মরোল খোইরি খোইরি, 'মাঞ্জা নঙ ঙাওরমদ্রে কৈসু' নোকমি নোকমি মনাক্তা চংশিল্লগা ফম্মী।

# শৈরেং

## নঙগীদমক

লমাবম লিলি

য়েংলুই, ঈরোলনুংদসু সমুদ্রগী  
ৱামদসু অতিয়াগী  
লৈচিল নোংফাই মরক্তসু  
মীৎয়েং ৱাংমদসু চীংমাইশিংগী...  
অদুবু লৈরমদে নঙদি  
অশেংবা অচুম্বা ফজবা ওইরমদুনা  
নঙগী লৈশাৎ তমদনা কেমখিবা  
প্রেমগী লৈরাং  
মীৎলু মুক্তা পরেংনি ঐগী  
ফিগোমলবী সভ্যতাগী ঈচেলসিদা  
শাৎলু নঙ লৈকংলাদসু  
গুলাব ওইনা  
পাৎতসু থরো ওইনা।

## লোক্তাকনা হায়রি

লোক্তাক খোর্জে লুপ

লোক্তাকনা হায়রি-  
ঐগী ইমি অনী শুদে  
ঐগী শক্তম অনী শুদে  
ঐগী নুংশিবা অনী শুদে  
ঐগী ধর্ম্ম অনী শুদে  
ঐ মীরোৎপসু নৎতে  
ঐ শকলোৎপসু নৎতে।

টিয়ার গ্যাস ফনা কাপ্পবসু  
ৱাতর কেনন ফনা কাপ্পবসু  
রবর বুলেট ফনা পোকখায়হল্লবসু  
লোক্তাকনা হায়রি-  
ঐগী রস মাপল শুকমাঙ মাঙলোই।

উরে ঙসিদি, ইতিহাসনা শাক্ষিনি;  
হিংচাবা চা কয়া লাক্লবসু  
পাউবীলাই কয়া লাক্লবসু  
ঈখেং কয়া শীন্থরবসু  
ঈখেং কয়া শীন্থরবসু  
শাম্মায় লৈবা তৌদনা  
খোঙফম চেৎনা লেপ্পদো  
রস মাপলনা।

লোক্তাকনা হায়রি:  
ঐ হিংলি, ঐ লৈরি।  
ঙসিদি ঐসু হায়রি:  
লোক্তাক লৈরি, ঐ লৈরি  
ঐ লৈরি; লোক্তাক লৈরি।  
লোক্তাকনা হায়রি:  
লোক্তাক লৈরি, মণিপুর লৈরি  
লোক্তাক হিংলি, মণিপুর হিংলি।

## হৈবোং মনুংদা

অঙোম সরিতা

হৈবোং মনুংগী তীলশিং  
থেঙ্গায়নরি অমম্বদা  
কোক কোকশিং।  
মশানা মশাবু নিংথৌনি চাউথোক্রে  
মানা মানা তৌনিংবদা তৌনৈ  
ঙাঙনীংবদা ঙাঙনৈ  
অমনা ঙাঙবা  
অমনা তানদে।  
মখোয় মশেল  
অমগা অমগা হাৎতোক্রে  
অকনবনা অচুম্বা শক্লে।  
হৈবোং মনুংগী তীলশিং  
খঙজদ্রি মখোয়দি  
পাক-চাউরবা তাইবংপানগী  
মঙাল উজবা ঙমদ্রবা  
ইতিহাসকী লাতমদগী  
মশাগী খোঙ্গুল মুৎথৎনবা হোৎনরিবা  
লৈখা তারবা  
তোল্লবা জীবনি হায়বা।  
ঙল্লোই ঙল্লোই  
তল্লি তল্লি।

অদুদি  
করম্বা মখলগী মনুংশিনো?

অশেংবা নুংশিবা-  
ননাক্তা লৈতবা  
থাপ্পা লৈবা;  
ননাক্তগী থাপথোক্লগা  
মতম পুন্নমক্তা লোয়নবা;  
নঙোন্দগী নাম্থোক্লগা  
নঙগীতা ওইবা।।

## তৎহৈদবা লংলা

কে সি নন্দ

থদৎলগে খল্লবরা নুংশি লিপুন...  
করম্বা নঙগী অনৌবা ৱাখল।  
শমজীনবা তারবা লংলাসে অমুক  
কিশী অমদি লৈহৌগনি লোইদনা।।

থম্মোয়গী ৱাদি থম্মোয়দা হংঙু...  
ঙসি থৌশাদ্রবসু নোমদি খঙলক্কনি...  
অরংবা পুন্নমক সনাদি নত্তেকো...।  
লায়না ফংবা নুংশিবা লায়না মাঙখিগনি।।

অপাম্বনা মঙগীদি পুন্সি শক্লিনো...  
ঐগী থম্মোয়নি অপাম মিহৌ য়াওদ্রবা।  
হাংদুনা লৈখিনি থম্মোয় থোঙ্গাল...  
খঙলকপা ঙাইখিনি অচুম্বদো নঙনা....

থদৎলগে খল্লবরা নুংশি লিপুন  
করম্বা নঙগী অনৌবা ৱাখল... ।।

## অশেংবা নুংশিবা

নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

ঐবু নুংশিব্রা?  
নুংশি।

তশেংনা নুংশি  
য়াম্না নুংশি।

অদুদি লাক্লো ইনাক্তা  
পুন্নমক থাদোক্লো  
লৈমিন্নরসি পুন্না।  
'উঃ হুঃ, নত্তে, ঐ লাই নত্তে,  
মীনি নঙগুম্বী মী,  
নুপী অমা!  
'ও! নঙ লাই নত্তে হায়বা!  
'দুদি নঙ লাইরৈপাক্তগী লাকপী  
অথোইবী নুপী অমনি।'

## ইরালনি

তোংব্রম শামুঙৌ

হায়গনু অদুন্না  
মীওইবা অমনা  
মীওইবা অমদা,  
খঙঙী ঐসু  
তোল্লি হায়বা  
নঙগী নরল  
অদুবু,  
লৈনা লৈনা  
নত্তে পীদবসু  
তশেংনা পীদবনি  
লৈতবগী পীথোক্লিংঙাই।  
নঙগী চীনবান্দগী  
ফজদবা খোন্থোক  
ঙাঙগনু হায়গনু,  
খঙদবা নত্তে ঐ  
নখোয়গুম্বা তরানা  
ঐগুম্বা 'মা য়েংশিনবদা  
উৎ ওনগনি হায়বসু  
অদুবু,  
লৈতবগী শোকখিবনি।  
লোয়নরু তিন্নরুবগী  
য়াম্বা য়ামদবা  
শোক্লুরবা নরল  
ইরালনি লৈতবনা  
পীথোক্লিংঙাই ঐগী।

## সনা কোনুং মমাঙগী নুপীমচা

\- পুখ্রম্বম নোনী

সনা কোনুংগী শুমাঙনি  
অচুম্বা ৱায়েলগী শান্নবুং ওইরিবা,  
চাক নিরি, চাক্লিবী নুপীচা অমা  
মীয়াম মরক্তা।  
থৌশাবীদে কনানসু,  
সভ্যতাগী নাপন হৈরবা ভদ্রলোকতুসু।  
চা ষ্টোলদা কষ্টমরশিংগা মন্তিক্রনল্লিবী  
লমচৎ কাম্বীদুনদি চেন্থোরক্তুনা হংবিখি-  
'নঙ চাক লাম্বরনে?'  
'উম... লামই' নুপীমচাদুনা খুমখি।  
চাক পীজৈ, নুপীমচাদুবু হোটেলদা,  
চান-চানা নুপীমচাদুনা হংলকই-  
'নঙবু লাইরা?'

## লাইবক ফবী মমানি

\- নিংথেমচা ওংবী মেমা

লৈনা নোং চুবগুম  
চাইথ-চাইথরদুনা হকচাংদুদা  
পুংথুম থুমখ্রে থন্না  
ঈশিং ঈচাও থোকপগুম  
ধুপ থারিবা নাকল অনীদগী  
মেক্রুক্কী মৈখুতনা শন্দোক্লি  
নিংথমগী লৈচিলগুম অতিয়াদা  
লাইশোন ঈশৈ শক্লি মাঙদা  
তেংথা নাওইবগুম শৈথারিবা  
মমা লৈবাক্কীদমক  
থৌনা ফরবা থৌদাংগীদমক  
পুরি ময়াম্না মাবু  
অপোকপী মমাগী নাক্তা  
মরৈকাইদা, ময়ুমদা, মোংফমদা  
মচাবু পুরকপা উবদা  
চেন্থোরক্লি মমাদু  
লাওর-লাওরদুনা থৌনা ফরবা খোন্থাংদা  
লাইবক ফবী মমানি ঐদি  
থৌনা ফবা লৈবাক নিংবা মচা পোকচবী

## য়ুমগী লম্বী

\- আর কে মীতৈ

থাংলিবা খোঙসিনা শাংলবা লম্বীসিদা  
পোথাজবা ফংজনবা  
ঐগী ইয়ুমদা।  
ঐগী ইমিৎসিগা মায়োক্লুনা  
শন্দোক্লুনা লৈরি মপাল নাইদ্রবা অহাঙবনা।  
লম্বীসিদা মায়োক্লরি  
কল্লবা নুংজাও  
ঐ তম্লক্লিবা চাক্লিবা মৈরি  
মপাল নাইদ্রবা ঈশিংগী ঈপাক  
পূম্নমকসিগা মায়োক্লুনবা  
ঐগী শোল্লবা পূক্লিং অমসুং হকচাংগী পাঙ্গল লৈতে,  
চৎপদি চৎলি ঐনা শীংনবগী খোঙচৎতা।  
লৈথরক্লিবা নুমিৎকা লোয়ননা  
চৎলি খুঙ্গংশিং ফাওদুনা  
পাঙ্গল য়াওদ্রবা ঐগী হকচাংসিনা।  
হাংদোক্লুবা অতিয়াগী থোঙজিলদা  
ময়ুম মায়কৈ পাংনা  
পাইরি চেক্লাচাশিংনা।  
খোঙচৎসিদা ঐনা  
নাপলগী ময়াইদা হায়গৎলুবা ইরায়  
কয়ারক লুকচখি  
মায়থিবগা মায়োক্লুবা মীৎকুপশিংদা।  
অদুনা লম্বীসিদা  
থাজবা অমসুং নুংশিবা অনীসিতবু  
থম্মোয়দা চেৎনা পুরদুনা  
চৎকনি ঐনা।

# তাবুনুংদগী

## লাইয়িংথৌ সনামহিদা তল কৎপা

লাইয়িংথৌ সনামহি হায়বা লাই অসি মৈতৈশিংনা তোঙান তোঙানবা থাক্তা ইৱাৎ থৌনীদুনা লাকপা লাইনি। লাইয়িংথৌ অসি শাগৈ লাই অমগী থাক্তসু শাগৈ অদুগী পিবাগী য়ুমদা লাৎনরকই। পিবাগী ইমুংদা লৈবা সনামহি অদু শাগৈ অদুগী অপুনবা ওইনা কুম অমগী চৈরাওবা নুমিত্তা পোৎচঙ চৈজঙ শুনা হৈরম লৈরম য়াওনা তঞ্জম্ব তঞ্জা কক্তুনা ঈৱাৎ থৌনী তৌনৈ। করিগুম্বা খূদোংচদবা অমদগী নুমিৎ অসিদা তল কৎপা ঙমহৌদ্রবদি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা কৎপা ঙমহৌদ্রবদি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা কৎপা য়াবগী চৎনবী লৈ। লাইয়িংথৌ সনামহি অমসুং ইমা লৈমরেলদা চমাই তল ওইনা কৎনৈ। লাই অনী অসিদা থাও য়াওদবা তঞ্জা তঙালনচিংবা কৎপগী মরমদি মমাংঙৈদা তঞ্জা তঙাল ওইনা চানরম্বদুগী চৎনবী মতুং ইন্না কৎনবা ওইগনি। নুমিৎ অসিদা লাইয়িংথৌ সনামহি অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবী খক্তা নক্তনা য়ুম ইংখোলগী মফম অতৈ হায়বদি লল্লাই, য়ুমগী ইহৌ-উরেপ, ইমোইনু লাইরেম্বী, চাকখুম লৈরঙ, চেঞ্জু মখোঙ, থৌদোক চাকথাফম, মনিংথোঙ, কৈ, শীঙ্গৈ, শঙ্গোল, ফৌশুকোল ইচুম তাফম, শুমাঙ মতোন, থোঙজিল, কোন্থোং অমসুং তীনখুল লাইখুন লৈরবদি অদুগুম্বা মফমশিং অসিদা লা লাতোন অমদা উপ্লা তল খরা হাপ্পগা কৎনৈ। মসি মীতোপ পীজবা য়াদে। অসুন্না লাইয়িংথৌ সনামহিদা তল কৎপদা শীজিন্নগদৌবা লাইশোন অদু ঙসিগী তাবোনুংদগী লৌখৎচরি।

*হে খোইয়ুম লাইয়িংথৌ*  
*অৱাং ফাৎলৌ লাইমখোম্বা।*  
*সন্থোঙ পুঙমায় লেপ্পা*  
*সন্থোঙ নিংথৌ অপানবা*  
*চীংঙু খোইয়ুম সনামহী মহীরেল।*  
*পোইরৈ মায়কৈ মরিমক*  
*কুমসি চহী কুমজা অসিগী*  
*তীনমু লাইমু ফত্তবা পুন্নমক*  
*তীনদাইবী-ও লাইতাইবী-ও।*  
*অফ-নুংঙাইখিবিকপু*  
*চরৈ ফিগাও শান য়াজরিয়ে।*  
*অশিথোঙ থিংবীরম-ও*  
*অচঙথোং হাংবীরম-ও*  
*অয়ুক ঙন্না কোনথোকপী-ও*  
*নুমিদাং ঙন্না কোনশিনবী-ও।*  
*কুমজা লাকয়েন তাইবগী*  
*তলবী তলজম কৎচরিয়ে।*

## মণিপুরী পাম্বে -পাউরৌ, পাউতাক

- **তিনফা কাকফৈদি মবুক থন্দ্রিমখৈ লৌথোকপা ৱায়।**
  - হেক ঙমদ্রিমখৈ তোক্তবা।
  - মবুক পেন্দ্রিমখৈ থাদোক্তবা (নপ্তুনা লৈবা)
- **তিম্ভ্রোক য়াঙদৌ চোংবা।**
  - ওন্ন থোইনা কপ লাউনা চোংবা।
- **তিম্ভ্রোক অশিবা কুচু মানবা।**
  - কুচু থোক্তবা, শক চু ফুৱাওনবা।
- **তিম্ভ্রোক অশিবনা ঙামু অচঙবা থেম্বা।**
  - অপাম্বা পীশিল্লগা অশিংবগী তাৎনা অপঙববু ফানবা হোৎনবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

- নিষা হায়বসিদি খজিক্তংগী ৱা লৈতে হৈনরুরবা মতুংদা খুদোংথিবা অৱাবা নঙই।
- লন-থুম য়াল্লে, শিবা লৈররোই খন্দুনা থবক খুদিং কোমথোক্লবদি, লন-থুমগা লোয়ননা নুংঙাইনা পূন্সি হিংবা ঙল্লোই।
- লন-থুম লৈবা, হোৎনবা কনবা মীবু তাইবংপালসিদা ইকায় খুম্লে।
- হোৎনবা কন্দ্রবা, লন-থুম মরাং কায়দ্রবা নিংথৌ ফাওবা ইকায় খুম্নবিদে।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

## মণিপুরী পাউখোঙ

৯০৯ - চহী মরিগী মনুংদা অমুক্তা ওইবা করিনো?  
৯১০ - মপূন্সি তঞ্জায় চনবদা চাওবা মপুং ফাবা করিনো?  
৯১১ - মমা নমথিবীনা মচা রাধিকা পোকপা করিনো?  
৯১২ - মশাগী অওবা মশানা অমুক চাশনজবা করিনো?

*(ঙসিগী পাউখোঙ লমায় ৮দা ফোঙজরি)*

## মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক

## ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*(জর্নৈল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা 'মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর' হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

– *জর্নৈল সিংহ*

... হান্নগী মখা...

### অঙকপা অদুবু অচুম্বা কেসশিং

কর্ম্মচারী অমনা দেট ওফ বার্থ শেমদোকপগী অঙকপা কেস অমা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টতগী ঐনা অমুকখক ফংখি। মসি য়াম্না লুবা কেস অমনি অদুগা মদু নাতে চাদবা অমনি। ইতৎ তত্তনা, কর্ম্মচারী খরনা মশাগী থবক চহী অমা নৎত্রগা অনী শাংথনা থবক তৌবা য়ানবা দেট ওফ বার্থ শেমদোকপগী কেসশিং লৈখি। অদুবু, মসিগী কেস অসিদি মচানুপাদুদি রিটয়ার্দ তৌখ্রবা অদুগা মপাদুদি মতমদু ফাওবা থবক তৌবগী ৱাফমনি। মপাদু রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেনিং সেন্টরদা থবক তৌবনি। চহী ৩৫ রোম থবক তৌরম্লগা মচাদু রিটয়ার্দ তৌখিবনি। রিতয়ার্দ তৌখ্রবা মপা অদু চহী ৮০ রোমগী অহল মাল্লি।

### ফোরজোলগী এ দি সি ওফিস

দিষ্ট্রিক্ট হায়বসি এদমিনিষ্টেনসনগী য়ুনিট অমনি। দিপুটি কম্মিস্নরনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী থবক তৌই অমসুং খ্বাই মীয়াম্না মখোয়গী অৱা অনাগী ৱাকৎশিং অদু পুদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা লাক্লে। চুরাচান্দপুর অসি মণিপুরগী মনুংদা খ্বায়দগী চাউবা দিষ্ট্রিক্টনি। সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং তমেংলোংগা মান্নদবদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চিদাই অমদা লৈ। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খ্বায়দগী চিদাইদা লৈবা খুল অমনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ২৭০ হেন্না লাপ্পী। লম্বী থোং জুগোৎ চাদবা মরন্না মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুল অমদগী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা মীওই অমনা লাকপদা নুমিৎ নীনি হুন্নিদগী হেন্না চঙই। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা পব্লিক সার্ভিসকী থবক তৌবদা অৱাবা মায়োক্নরি। ঐনা থাজে মদুদি, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্যুনিটিগী নত্তবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা ঙল্লিবসি মসিনসু মরম অমনি। মসি য়াম্না ঙকপা অমনি অদুম ওইনমক থানলোন, হেংলেপ অমসুং তিপাইমুখতা মসি থোক্লি। মিলিটেন্টসিনা মরম ওইদুনা চুরাচান্দপুরদা লৈবা ঙম্বা মীশিংনা তপ্পা তপ্পা মখোয় মখোয়গী থানলোন অমসুং দিপাইমুখতা লৈবা ময়ুম ইংখোল থাদোক্তুনা লাক্লে। মখোয়গী ময়ূমশিং অদু হুন্দোক্লম্মী। মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা আর্মি ওপরেসন চথরিঙৈদা আর্মিনা ঐঙোন্দা হায়রকখি-মদুনি অয়াম্বা মতমদা মফম অসিগী অয়াম্বা মীওইশিংনা চুরাচান্দপুর তাউনগী মনুং অমদি অকোয়বা মফমশিংদা শাইদাংদুনা লৈ।

*মখা মথং নোংমাইজিংদা...*